পোলিটিকেল প্রিজনরশিং থাদোক্নবা য়ু এস অমসুং ইন্দোনেসিয়ানা ম্যান্মার মিলিটরিদা তকশিনখ্রে

গ্লাসগো, নভেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা পাঙথোক্লিবা ক্লাইমেট সম্মিট অদুদগী খরা নাথৈরগা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা হৌজিক হৌজিক ম্যান্মার মিলিটরিনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা পোলিটিকেল প্রিজনরশিং থাদোক্নবা অমদি ভাইওলেন্সকী ওইবা থবকশিং খুদক্তগী লেপ্নবা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখিবদা, ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়াম্না লুশিল্লক্লি। হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি মতম চানা লোয়শিনহৌদ্রবদি লৈবাক অসিগী ফিভম তন্বা ঙমদবা মওংদা লাকপা য়ানা লৈরি। মরম অদুনা ম্যান্মার মিলিটরিনা ভাইলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং খুদক্তা লেপ্তুনা অমদি ফাজিন্দুনা থল্লিবা পোলিটিকেল প্রিজনরশিং অথুবা মতমদা থাদোক্তুনা মীয়াম্না য়াবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনগদবনি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী লৈবাক অসিদা মিলিটরিনা কু তৌদুনা পৱার পায়শিনখিবনি। মিলিটরিনা পৱার পায়শিনখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌরগা হৌজিকফাওবদা লৈবাক অসিদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওং কয়া থোক্লি। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি। ম্যান্মারদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক মালেমগী লৈবাকশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে। ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ান নেসন্সনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাংশিং থাগৎনিঙাই ওই হায়রি।

ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা ফোঙদোকখিবদা, ম্যান্মার মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওংশিং খাঙবা ঙমদবদগী লৈবাক অদুগী মীওই কয়া য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চঙশিন্দুনা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। লৈবাক অদুদগী ফংবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ফেব্রুৱারী থাদগী হৌজিক ফাওবদা মিলিটরিনা চথুখিবা কা হেনবা থৌওংশিংনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ১,২২৯ শিহনখ্রে। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা ১৩১ দি মিলিটরিনা ফারবা মতুং চথুখিবা ওৎ-নৈবগী থৌওংদা খাঙবা ঙমদবদগী শিখিবনি।

অমরোমদা ম্যান্মার মিলিটরি অমদি ইথনিক রেবেল গ্রুপশিংগী মরক্তা থোরক্লিবা খুৎ থোক্নবগী থৌদোক্লা মরম ওইরগা মীওই কয়া ময়ুম থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা লোক্তুনা লৈনরি। কোভিদ-১৯ পেনদমিক্লা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিঙৈ মরক্তা মিলিটরিনা চথুরক্লিবা থৌওং অসি কন্দেম তৌই। মখা তানা মীয়াম্বু ওৎ নৈবগী থবক তৌরোইদবনি হায়রি।

জর্নেলিষ্টশিংবু অকি অখঙ পোকহনবগী থবক পাকিস্থানদা পাক শন্না চথুরি : রিপোর্ট

ইস্লামাবাদ, নভেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

পাকিস্থান ওথোরিটিনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা মনিং তম্না মথৌ তৌবদা অয়েৎপা কয়া পীবতা নত্তনা দেক্রোনিয়ন সাইবর ক্রাইম লোগী মখাদা তোঙান তোঙানবা মরালশিং পীশিন্দুনা জর্নেলিষ্টশিংবু অকি অখঙ পোকহনবগী থবক পাক শন্না চথুরি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মিদিয়া রাইটস ৱাটচদোগকী রিপোর্ট মতুংইন্না, পাকিস্থানদা মথৌ তৌরিবা জর্নেলিষ্টশিংগী তুংগী মরাইবক তন্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরি। টেররিষ্ট গ্রুপশিংনা জর্নেলিষ্টশিংদা মমাং মতমদগী টার্গেট তৌদুনা লাক্লি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা গভর্নমেন্ট ফোর্স অমদি অতোপ্পা এজেন্সি কয়ানা জর্নেলিষ্টশিংগী নীং তম্বদা অকায়বা কয়া পীরি। লৈবাক অসিদা জর্নেলিষ্টশিংগী মথক্তা ক্রাইম কয়া চথুরি। মসি য়াম্নমক লাইবক থিবা থৌওং অমনি।

হৌখিবা চহী অনীরোম অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা জর্নেলিষ্ট ২৩ গী মথক্তা দেক্রোনিয়ন সাইবর ক্রাইম লো হায়রগসু খঙনরিবা পাকিস্থান ইলেক্ট্রোনিক ক্রাইম এক্ট পানশিন্দুনা জেলদা থাজিনখ্রে। ওথোরিটিনা জেলদা থাজিনখ্রবা জর্নেলিষ্টশিং অদু অথুবা মতমদা থাদোরক্নবা খঙহনখ্রবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। লৈবাক মীয়ামদা অচুম্বা পাউ ফোঙদোক্নবা জর্নেলিষ্টশিংগী মথক্তা লৌতুনবগা মরী লৈনবা চার্জ কয়া তৌরি।

অমরোমদা লৈবাক অসিদা জর্নেলিষ্টশিং হাৎপগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নরিবা মরাল লৈবা মীওইশিং ঙসি ফাওবা মরী লৈনবশিংনা চৈরাক পীদ্রি। চৈরাক পীবগী মহুত্তা মীহাৎপশিং অদুবু মনিং তম্না লৈবাক অদুদা চত্থোক চৎশিন তৌহল্লি। হিরম অসিগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল জর্নেলিষ্ট এসোসিএসন অমদি তোঙান তোঙানবা রাইটস গ্রুপশিংনা মীৎয়েং চংবা মথৌ তারি।

PRESS
UNDER ATTACK

লৈবাক অসিদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা থবকশিংগী মতাংদা ওথোরিটিশিংনা অকক্নবা রুল অমা শেম্নবা হোৎনরি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা লৈবাক অসিদা মিলিটরিনা চথবা থবক থৌওংশিং কোভরেজ তৌদুনা খঙহন্দুনা লাক্লি। মসি জর্নেলিষ্টশিংগী রাইট মাঙহন্নবা হোৎনবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ দা অল জাজিরানা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না, পাকিস্থানদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংদা ওথোরিটিনা সাইবর ক্রাইম লো শীজিন্নদুনা কিহনবগী থৌওং খ্বাইদগী হেন্না চথুখি। লৈবাক অসিনা নীং তম্নকপদগী মিলিটরিনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথুদুনা লাক্লি। মতম মতমগী ওইনা লৈখিবা লৈঙাকশিংনসু মিলিটরিগী থবক থৌওংশিং অদুদা পুক্নিং থৌগত্তুনা লাকখিবনা মরম ওইরগা জর্নেলিষ্টশিংগী নীং তম্বদা শিংনবা অমা ওইরক্লে হায়রি।

টিগ্রে রিজনদা ওইরিবা ফিভম থিজিন্নবা হোৎনবদা ইথিওপিয়ানা অথিংবা পীখি

ন্যু য়োর্ক, নভেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

লাননা মরম ওইরগা কা হেন্না ফিভম শোকহল্লবা ইথিওপিয়াগী টিগ্রে রিজনদা য়ু এন হ্যুমেন রাইটসনা চথুখিবা থিজিন হুমজিনবগী থবকশিংদা ইথিওপিয়া গভর্নমেন্টনা অথিংবা পীখি হায়না মরাল শিখিবগা লোয়ননা ইথিওপিয়া গভর্নমেন্টকী থৌওং অদু লাইবক থিবনি হায়রি।

টিগ্রে রিজনদা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস ওফিস অমসুং ইথিওপিয়ন হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (ঈ ঐচ আর সী)না থিজিনবগী থবক চথবা হৌখ্রবা মতুং ইথিওপিয়া গভর্নমেন্টনা টিগ্রে রিজনদা টিম অসিনা চঙবদা থিংনবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মায়কৈদগী মতেং অমত্তা পীরকখিদে হায়না য়ু এননা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এন অমসুং ঈ ঐচ আর সীগী অপুনবা টিম অমনা টিগ্রে রিজনগী মতাংদা ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা অমদি মতৌ করম্না রিজন অসিগী ফিভম কা হেন্না শোকচিনখিবনো হায়বগী মতাংদা থিজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবা অদুবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা পুক্নিং থৌগৎখিবগা লোয়ননা থিগৎপগী রিপোর্ট মালেমগী মীয়ামদা খঙহন্নবসু হায়রকখি। অদুবু টিম অসিনা রিজন অসিদা চঙনবা হোৎনরুবদা গভর্নমেন্ট খক্ত নত্তনা টিগ্রে ফোর্সনসু অথিংবা পীরকখি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্টকী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখিবদা অপুনবা টিম অসিনা রিজন অসিদা চঙশিন্দুনা থিজিনবগী থবক চথনবা হোৎনরক্লিবা অসি গভর্নমেন্টকী খুজিন থৌরাং ওইরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। ইথিওপিয়ন ফোর্সশিংনা টিগ্রে ফোর্স মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা মখলগী পাম্বৈশিং শীজিন্নরি। হন্দক্কী অসিসু মখোয়গী অনৌবা পাম্বৈ অমা ওইরম্বা য়াই। করিগুম্বা থিজিনগে হায়রবদি ঈ ঐচ আর সী য়াওহন্দনা য়ু এনগী অখন্নবা টিম অমনা থিজিনবা য়াগনি হায়রি।

লম খোপচিন্নবা হোৎনরক্লিবা থৌওংশিং খুদক্তগী লেপকদবনি

কাথমান্দু, নভেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

নেপাল অমসুং চাইনাগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা বৈজিংনা লম খোপচিন্নবা থবক থৌওং কয়া চথরক্লিবা অদু খুদক্তগী লেপকদবনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফ্যের্সনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা বোর্দর পিল্লরশিং অমুক হন্না য়ুংশিনগদবনি হায়রি।

নেপালগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈবা দোলখা দিষ্ট্রিক্ট মনাক নক্লা লৈবা চাইনা অমসুং নেপাল লোন্নবগী মফম তাক্লিবা বোর্দর পিল্লর খরা চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা মফমদুদা লৈরমদবা থেংনরে। মসি চাইনিজ আর্মীনা মখোয়গী খুদোংচাবা য়েংনবগীদমক তুমিন্না লৌথোকখিবা ওইরম্বা য়াই। ঙমখৈগী শরুক্তা মিলিটরি পর্সনেলশিং নত্তনা অতোপ্পা মীওইশিং লাক্লগা বোর্দর পিল্লর মাঙহনবা ঙম্লোই।

মরম অদুনা বৈজিংনা চথরক্লিবা থবক থৌওংশিং অসি খুদক্তা লেপকদবনি। অমদি ইন্তরনেস্নেল বোর্দরগী লৈরিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎনবা হোৎনগদবনি হায়রি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী রিপোর্টর অমগী দেটা মতুং ইন্না চাইনা অমসুং নেপাল ঙমখৈগী শরুক অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা ময়েক শেংনা লৈরক্নবা অমনি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৬০ দা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্তুনা ঙমখৈগী শরুক লেপথোক্নখ্রবা মতুং কুমজা ১৯৬১ দা বোর্দর ট্রিটি তৌনখিবগা লোয়ননা য়ানখিবা মফমশিংদা পিল্লর য়ুংবগী থবক চথুখিবনি। কুমজা ১৯৬১ দা নেপাল অমসুং চাইনাগী মরক্তা য়ানখিবগী মতুং ইন্না তাইনবা ঙমখৈগী শরুক্তা বোর্দর পিল্লর ৭৬ পার্মিনেন্ট ওইনা য়ুংখিবনি। অদুবু চাইনানা মতমদুগী য়ানখিবশিং কাওথোক্লগা লনাই ওইবা মওংদা অমদি মখোয়গী থবক থৌওংদা নুংঙাইনবা হোৎনদুনা ঙমখৈগী শরুক অমুক হোংদোক হোংজিন তৌহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবকথিবনি।

মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদসু চাইনানা নেপালগী লমদা তুমিন্না লম খোপচিল্লন্স্বগা লোয়ননা নেপাল ঙমখৈ শরুক্তা বিল্ডিং ১১ শাজিল্লস্বগী থৌদোক থোকখ্রে। নেপালনা চাইনাগী বিল্ডিং শারিবা মফম অদু মখোয়গী ঙমখৈ শরুক্তনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু চাইনদি মদু য়াদনা লৈরি। মদুদগী নাকল অনীগী মরক্তা ঙমখৈগা মরী লৈনবা থবক থৌওংশিংদা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলকখিবনি। চাইনাগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা নেপালগী মীয়াম্না লৈবাক অদুদা লৈরিবা চাইনিজ এম্বেসিবু তাম্থোকখিবগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা লান্না লম খোপচিনবগী থবক লেপকদবনি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা উমং কোকপগী থবক মপুঙ ফানা লেপ্নবা লুচিংবশিংনা লেপ্নখ্রে

গ্লাসগো, নভেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

স্কোটলেন্দগী গ্লাসগো সিটিদা পাঙথোকখিবা ক্লাইমেট সম্মিটকা মরী লৈননা মালেমগী লুচিংবা ১০০ হেনবনা লাক্লিবা কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা উমং কোকথোকপগী থবক মপুঙ ফানা লেপ্নবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা উমং য়োকখৎনবগীদমক দোল্লর বিলিয়ন ১৯ কায়থোক্তুনা থম্না হায়না য়ান্নখ্রে।

ব্রাজিল অমসুং দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদা অচৌবা উমং কয়া লৈরি। মালেমগী ওইনা লৈরিবা উমংশিংগী চাদা ৮৫ রোমদি লৈবাক অনীসিদা লৈরি। ব্রাজিলদা চহী কয়াগী মমাংদগী উমং কোকথোকপগী থবক পাক্তক্নুনা চথুদুনা লাক্লি। মায়কৈ কয়াদগী উমং কোকথোকপগী থবক লেপ্নবা খঙহনখ্রবসু ব্রাজিলনা য়াদনা লাকখিবনি। চপ মান্ননা দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদসু উমং কোকথোকপগী থবক পাক শন্না চথুরি।

মালেমগী ওইনা মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা উমংশিং মপুঙ ফানা য়োকখৎপা মথৌ তারি। লৈবাক অনীগী লুচিংবশিংনসু কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা উমং কোকথোকপগী থবক লেপ্পা হায়না য়ানখিবা ৱাফম অদুবু শৌগৎখ্রে হায়রি।

মীওইবগী খুৎশেম্না নুংশিৎতা থাদোরক্লিবা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাদা ৩০ দি উমংনা চুপশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু উমং কোকথোকপগী থবক পাক শন্না চথনরকপদগী উমংনা কার্বোন দাইওক্সাইদ চুপশিনবগী চাং হন্থরক্তুনা শাবগী চাং হেনগৎলকখিবনি।

মালেমদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা শিহনখিবা অপুনবা মী মশিং মিলিয়ন ৫ শুখ্রে

পেরিস, নভেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

ঙসিদগী চহী অনীরোমগী মমাংদগী চাইনাদা ইহান হান্না শাফোঙলকখিবা কোরোনা ভাইরসনা মালেমগী লৈবাকশিংদা অকনবা চৈথেং পীখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা মালেমদা শিহনখিবা অপুনবা মী মশিং মিলিয়ন ৫ শুখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, হান্নগা য়েংনরুবদা লায়না লায়চৎ অসিনা মী শিহনবগী চাং য়াম্না হন্থখ্রে। কোভিদ ভেক্সিনেসনগী মতুংদা মী শিবগী চাং হন্থরকখিবনি। মালেমগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা নোংমদা শিহনবা মীগী মশিং ৮,০০০ গী মখাদা লৈখ্রে। লৈবাক লৈবাকশিংনা মখা তানা ভেক্সিনেসনগী থবক খোঙজেল য়াংনা চঙশিনবা ঙল্লিবমখৈ লায়চৎ অসিনা মী শিহনবগী চাং মপুঙ ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি। মীয়াম্নসু লায়না লায়চৎ অসিগী মতাংদা হৌজিক্তি এৱ্যের ওইরবনিনা হান্নগা য়েংনরুবদা শন্দোকপগী চাংসু য়াম্না হন্থখ্রে।

মালেমগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা মী খ্বাইদগী হেন্না শিহনখিবা লৈবাক অসি য়ু এস এনা ওইরি। মদুগী মতুংনা ব্রাজিল অমসুং ইন্দিয়ানা ২শুবা অমসুং ৩শুবদা লৈরি। রোমানিয়া, রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন্দা লায়না লায়চৎ অসিনা হৌজিকসু য়ামদ্রবদা নোংমগী ওইনা মীওই ৫০০ দগী তাদনা শিহল্লি। এসিয়াগী লৈবাক খরদসু লায়না লায়চৎ অসিনা হৌজিকসু চৈথেং পীবা লেপত্রি। পনবা য়াবদি লায়চৎ অসিবু মপুঙ ফানা লায়েংবা ঙম্বা ভেক্সিন পুথোকপা ঙমদ্রি।

শাবা লোইদ্রিবা বিল্ডিং অমা নিংখায়রকপদগী মীওই ৬ শিরে, কয়া অমনা থোরকপা ঙমদনা লৈরি

অবুজা, নভেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

নাইজেরিয়াগী কমর্সিয়েল কেপিটেল লাগোসতা শাবগী থবক চথুরিবা বিল্ডিং অমা খঙহৌদনা নিংখায়রকপদগী মীওই ৬ শিরে অদুগা কয়া অমনা অকায় অতোয় মরক্তা থোরকপা ঙমদনা লৈরম্বা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লাগোসকী ইকোয়ি দিষ্ট্রিক্টতা শাবগী থবক চথুরিবা বিল্ডিং অদু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নিংখায়রকখিবনি। মথোল ২১ ৱাংবা বিল্ডিং অদু নিংখায়রকপদগী মীওই ৬ শিখিবনি। মীওই ১০০ রোম হেন্না থিবা ফংদনা লৈরি। মখোয় বিল্ডিংগী অতেক অকায়শিংনা ননশিন্দুনা লৈরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। রেসক্যু ওফিসলশিংনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, বিল্ডিং অদু শাবদা য়াওবা ৱার্কর কয়া থিবা ফংদ্রি। মখোয় হৌজিক করম্বা ফিভমদা লৈরমগদগে হায়বা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মী থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি।

লাগোস ষ্টেট ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সিনা খুদক্কী ওইনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ফাওবগী ওইনা রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মীওই ৭ কনবা ঙমখ্রে। মখোয়দুগী মনুংদা ৪ দি মাইনর ওইনা শোকখি। মখোয় মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিমেন্ট চথুখ্রে। হৌজিক হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরিবা মীওইশিং অকনবা মওংদা থিবগী থবক চথুরি হায়রি।

অমরোমদা বিল্ডিং নিংখায়বগী থৌদোক্তা হিংহৌরবা কন্সট্রক্সন ৱার্করশিং অমদি লোকেল মীওইশিংনা মী কনবগী থবক চথুরিবা অদুবু পেনদবা ফোঙদোক্নরক্লি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং খুদক্কী ওইনা রেস্ক্যু ৱার্করশিং লাকপা উখিদে। পুঙ খরা কান্নরবা মতুং মী কনবগী থবক চথবা হৌখিবনি। হৌজিক চথুরিবা অসিসু মী মশিং ৱাৎপনা থবক্কী খোঙজেল য়াম্না তপ্পী হায়না ফোঙদোক্নরক্লি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা অৱাং থংবা য়ু এসকী লাম্নৈগী মরুওইবা মরম্নি

লোস এঞ্জেলেস, নভেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

মালেমগী হোংলক্লিবা আইংঅশাগী অচৌবা মরমশিংগী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী নোংচুপ থংবা মফমদা উমংশিং লাম্নে চাকখিবা অদুসু অচৌবা মরম অমনি হায়না ষ্টদি অমনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টদি অদুগী মখা তাবা রিপোর্টতা য়ু এস এগী নোংচুপ থংবা মফমশিংদা কুমজা ২০২১ অমদি ২০১৮ গী মরক্তা লাম্নে চাকপনা শোকহনখ্রবশিং অদু কুমজা ১৯৮৪ দগীনা ২০০০ ফাওবদা শোকহনখিবশিং অদুগা চাংদম্নরুবদা শরুক অনী হেনখি। চাংদা স্কৱার কিলোমিটর ১৩,৫০০ হেন্না শোকহল্লি।

য়ু এস নেসনেল একাদমি এফ সাইন্সেসগী লুচিংলিবা রোং ফুনা মমিং লৈরবা পাউ চে লোস এঞ্জেলেস টাইমসকা ৱারী শান্নবদা ষ্টদি অদুনা হান্না পানরম্বা মওংদগী য়াম্না খোঙজেল য়াঙনা উমং লাম্নে চাকপা অসি থোকখিবনি হায়রি। হায়রিবা থৌদোক অসি হেন্না মরীক চুম্না য়েংশিন্নবগীদমক রোং ফুনা লুচিংবা অমেরিকাগী রিছার্সরশিংগী টিম অমনা অথুবা মতমদা য়েংশিন্নবা থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

ভেপর প্রেসর দিফিসিট (ভি পি দি) গী মতাংদা নৈনবদা হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী হন্থরকপা মরম্না য়ু এসকী নোংচুপ থংবা মফমশিং অদুদা উমং লাম্নে চাকপগী চাং অসি হেনগৎলকপনি হায়না ফোঙদোক্লি। মসিদা নত্তনা গ্রিন হাউস গ্যাসনসু ফিভম অসি মতেং পাংলি।

গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেলনা টেঙ্ক, আর্টিলরি শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা এটেক চথুখ্রে

জেরুসালম, নভেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

মালেমগী লৈবাকশিংনা ইজরেল অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং লেপ্নবা খঙহনখ্রবসু হমাজনা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবা গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেল গভর্ণমেন্ট ফোর্সনা টেঙ্ক, আর্টিলরি য়াওনা নোংথক্তগী এটেক চথুখ্রে। পেলিষ্টিনিয়নশিংনসু ইজরেল তম্না রোকেট কয়া লেপ্পা লৈতনা কাপশিল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর নফটালি বেনেটনা ফোঙদোকখিবদা ঙমখৈগী শরুক্তা অরব অমসুং জ্যুশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং লেপ্পা লৈতনা থোক্তুনা লাক্লি। পেলিষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংনা ইজরেলদা লেপ্পা লৈতনা রোকেট কাপশিন্দুনা এটেক চথুরকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেলনা গাজা ষ্ট্রিপতা লানদরনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

ইজরেলনা মরম লৈতনা অতোপ্পা গ্রুপশিংদা এটেক চথবগী থবক ঙসি ফাওবদা তৌবা লৈত্রি। অদুমওইনমক হমাজ গ্রুপশিংনা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথরক্লিবা অসি মতম চানা পাউখুম পীহৌদ্রবদি ইজরেল মীয়ামগী ওইনা চাওনা অকায়বা লাক্কদবনা মরম ওইরগা ৱার প্লেনশিং য়াওনা গাজা ষ্ট্রিপতা এটেক চথুখিবনি।

হমাজ গ্রুপকী মথক্তা ইজরেল গভর্ণমেন্ট ফোর্সনা মখা তানা এটেক চথুখিগনি। হমাজনা গাজা ষ্ট্রিপ থাদোক্তুনা চৎখ্রবদি ইজরেলনা মখোয়গী ফিরেপ হন্দোকপা য়াই হায়রি। অমরোমদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা থোকখিবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা পেলিষ্টিনিয়ন ১০০ হেন্না শিহনখ্রে। অদুগা ইজরেলি ৭ শিখ্রে। গাজাদা লৈবা বিল্ডিং কয়াসু এটেকশিং অদুনা মরম ওইরগা চাওনা অমাং অতা থোকখ্রে হায়রি।

খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী মীয়াম মীপাইনরুরে

মনিলা, নভেম্বর ০২ (এজেন্সী) :

ফিলিপিন্সকী মনিলাদা লৈবা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী চাওবা হোস্পিটাল অমদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী হোস্পিটাল অদুদা লৈরিবা পেসেন্টশিং য়াওনা মীওই কয়া মীপায়নবগা লোয়ননা হোস্পিটালদগী চেন্থোক্নরকখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ গী পেসেন্টসু লায়েংলিবা হোস্পিটাল অদুগী মখা থংবা শরুক্তা মৈ অদু খঙহৌদনা চাক্লকখিবনি। লাইবক ফবদগী থৌদোক অদুদা অশোক অপন অমদি মীশি মীনা থোকহৌদ্রে। মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনবদা পুং ৫ রোম চঙখি হায়না ফায়র ফাইটরশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক্তি মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌরে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লৈবাক অদুগী ভাইস প্রসিদেন্ট লেনি রোব্রেদোনা ফোঙদোকখিবদা লাইবক ফবদগী মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক অদুদা মীশি মীনা অমদি অশোক অপন অমত্তা নংহৌদ্রে। অদুমওইনমক মতৌ করম্না মৈহৌ লাংপোক অদু থোরকখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চানা থিজিল্লবা মতুং মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি থোক্তনবা খুদিংমক্না চেকশিনমিন্নসি হায়রি।

মৈ চাকপগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল অদুগী অয়াম্বা কাশিংদা মৈখুশিং লৈরি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অথুবা মতমদা হোস্পিটাল অদুদগী মৈখুশিং অদু পাইথোকহন্নবগীদমক হোৎননবা খঙহনখ্রে হায়রি। হোস্পিটাল অদুদা হান্না লায়েংদুনা লৈরম্বা মীওই খরদি খুদক্কী ওইনা অতোপ্পা হোস্পিটালদা ট্রান্সফর তৌখ্রে। ট্রান্সফর তৌখ্রবশিং অদুগী মনুংদা সর্জরিগী দরকার তাবা মীওই ২ অমদি নিয়োনতাল ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটতা থম্লবা অঙাং ১২ নি।

কোভিদ-১৯ গী পেসেন্টশিংসু হোস্পিটাল অদুগী অতোপ্পা ইমজেন্সি ৱার্দ অমদা সিপ তৌরবা মতুং মখা তানা ট্রিটমেন্টকী থবক চথুরি। হোস্পিটাল অদুদা লৈরিবা পেসেন্টশিং অমত্তা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রে। মখোয়গীদমক্তা ওথোরিটিনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি হায়না হোস্পিটাল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764
HL-B/7261/2/11-2/12

GOVERNMENT OF MANIPUR
WATER RESOURCES DEPARTMENT
******
/ NOTICE INVITING TENDER
Imphal, the 30th October, 2021

No. CE/WR/NHP/1-1/2021-22: The Chief Engineer, Water Resources Department on behalf of the governor of Manipur invites a tender/ bid notice through e-tendering for the bid document No. WRD/NHP/1-38/2021-22.

Name of the Work	Period of Completion	Availability of bidding document from website	Date of online submission of bid through electronic mode	Last date of online submission of bid through electronic mode	Date, time and venue of opening of bid
Procurement for the Supply, Installation, Testing, Commissioning and Maintenance of Acoustic Doppler Current Profiler (ADCP) For Discharge Measurement of Rivers in Manipur	90 days from the date of signing of contract	30/10/2021; 14:00 HRS (System Server Time)	12/11/2021; 16:00 HRS (System Server Time)	30/11/2021; 14:00 HRS (System Server Time)	30/11/2021; 15:00 HRS (System Server Time) Office of the Superintending Engineer, IC-I, Water Resources Department, Khuyathong, Imphal-795001, Manipur.

Details of the document can be downloaded and is to be submitted on-line through e-procurement/e-tender https://manipurtenders.gov.in. All correspondence/communication shall be made to the Executive Engineer, Water Resources Department, Lamphel, Imphal-795004, Manipur, India, telephone & Fax No. 03852955821, e-mail ID: nhpmanipur@gmail.com.
The Notice Inviting Tender dated 22nd October, 2021 of the above work which has been published in Newspaper is rectified as per this notification issued under the undersigned.

Sd/- Songput N Albert
Chief Engineer
Water Resources Department, Manipur
Nodal Officer (NHP), SPMU.
HL-B/7263/3